কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতসু খুঙ্গং চৎসি থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : কাংপোকপী এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা সোসল ৱেলফেয়র এন্দ কো ওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন্না ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দাইলি ফায়াপৌ অমসুং লাৱর কালাপাহার ভিলেজদা পাঙথোকখিবা গো টু ভিলেজ কেম্পশিংদা শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নেমচা কিপজেন্না হায়খি, গো টু ভিলেজ মীসন অসি ষ্টেট গভর্নমেন্ট অসিনা মীয়ামগীদমক্তা পাঙথোকপা থৌরমনি। লৈঙাক্না পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী স্কীম অমসুং প্রোগ্রামশিং মীয়ামগী থোংজিনদা মরক্কী মীওইগী মতেং য়াওদনা ফঙহন্নবা পাঙথোকপনি।

গো টু ভিলেজ পাঙথোকখিবা কেম্পশিং অদুদা নেমচা কিপজেন্না প্রধান মন্ত্রি উজ্বলা যোজনাগী মখাদা বিলো পোবর্টি লাইনগী মখাদা লৈবা নুপীশিংদা লেম্না এল পি জি কনেক্সন য়েন্থোকখি অমদি মীয়ামগী খুদোংচানবা বেঙ্কিং ইন্সটিট্যুসনশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী হাংলিবা ষ্টোলশিংদসু য়েংখি।

মীসন অসিগী কান্নবা মপুং ফানা মীয়াম্না লৌনবা আপিল তৌখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা মপুং ফাবা সর্ভিস মতম চানা পীনবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা মপুং ফানা মতেং পীদুনা মথৌ পাঙথোক্কনি হায়খি।

খুঙ্গং কয়াগী মীওই কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মীসন অসিগী খুখাংদা মীওই পুম্নমকপু কান্নবা ফঙহন্নবা হোৎনগনি। কেম্প অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা লমদম অদুগী শরুক্কইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

অশেংবা মায়থোং পুথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : সিনে রাইটরস এন্দ প্লে রাইটস ফোরম মণিপুরনা থা ৪/৪গী ওইনা পুথোকপা *অশেংবা মায়থোং*গী অনীশুবা ভোল্যুম লাক্লিবা জুন থাদা পুথোক্লগনি। চেফোং অসিগীদমক্তা ফোরম অসিগী মেম্বরশিংনা লমায় ৩দগী হেল্লোইদবা লীলা মচা, দ্রামা মচা, সিনেমা মচা অমদি ৱারেং নৎত্রগা ঈশৈ ময়েকশিং থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা উরিপোক বাশ্চপতি লৈকায়দা লৈবা ফোরমগী হেদ ওফিসতা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট মনাওবী এম এমগী য়ূমদা পীশিন্নবা ৱাফম ফোরম অসিগী সেক্রেটরি রঞ্জিৎ নিংথৌজানা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

বাইও দাইভর্সিটিগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : দিরেক্টরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্টনা শিন্দুনা ইন্টরনেসনল দে ফোর বাইওলোজিকেল বাইও দাইভরসিটি থা অসিগী ২২দা সেলেব্রেটিং ট্বেন্টিফাইভ য়র ওফ এক্সন ফোর বাইও দাইভরসিটি হায়বা থিম অসিদা কৌব্রু লাইফমলেন্দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

দিরেক্টরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্টকী দিরেক্টর ডা. ৱাই নবচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা দিরেক্টরেট অসিনা শিন্দুনা থা অসিগী ২০দগী ২২ ফাওবা কৌব্রু লাইফমলেন্দা পাক শন্না উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না পীবা চৈথেং অমদি মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাংগী মরমদা খন্ন নৈনখ্রে

NISHANA KHUNNAIDA PIBA CHEITHENG
at Upokpi Mayai Leikai community Hall
on Tuesday the 15th May, 2018
Upokpi Youth Development Club, Upokpi Apunba Meira Paibi Lup
CHIEF GUEST

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা) অমদি উপোকপীগী তোঙান তোঙানবা লুপ কয়াগা পুন্না শীন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উপোকপী ময়াই লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী খন্ন নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদু উপোকপী য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব, উপোকপী অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ, অপুনবা নুপী লুপ অমসুং কাদানা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা অপুনবা নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম প্রমোনা চীফ গেষ্ট, উপোকপী মৈরা পায়বী লুপকী প্রসিদেন্ট কাঙবম মোধুবলানা প্রসিদেন্ট অমসুং কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী ও সী এম দি রাজু খান, ডা. এম গ্যানেশ্বর সাইকিয়াট্রিষ্ট বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং এন ৱাই কে বিষ্ণুপুরগী প্রোগ্রাম ওফিসর প্রেমজিৎ এলাংবমনা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা কাদাগী ফাইনান্স সেক্রেটরি গীতচন্দ্র মঙাংনা হায়খি, মতম কয়াগী মমাংদগী ইমাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবা হৌরকই। অদুবু লৈকাই লৈকাই খুদিংমক্তা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী চাং অসি অসুমক হেনগৎলক্লি। মসিগী অচৌবা মরম অমা হায়রগদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরাং কায়না ফোঙনা ফঙলকপা অসিনি। মরম অদুনা লৈকাই লৈকাইদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী ঈহৌ অমা চঙশিনদবা য়াদ্রে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবদা মৈরা পায়বী, ক্লব, ওর্গনাইজেসন, লো এনফোর্সিং এজেন্টশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মরম অদুনা গ্রুপ ময়াম অসি খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নবা হায়বসি তঙায়ফদে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নিপকোগী প্রসিদেন্ট ও প্রেমজিৎনা হায়খি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবা হায়বা অসি য়াম্না মরুওইবা থবক অমনি। হৌজিক্কী মতমদা নুপাখক্তা নত্তনা নুপীসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়াম্না শীজিন্নরে। মসি ঐখোয় পুম্নমক্কী লায়বক থিবনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবা অসি ফুবা চৈবা খক্না য়াদে। মরম অদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা মীওইশিং অদুবু নিংথিনা ৱাখল তানবা কাউন্সিল্লিং পীবা অমসুং এৱ্যারনেস পীদুনা মদুদগী লাপথোক্লবা হোৎনসি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বিষ্ণুপুরগী এক্স উপ-অধক্ষ ওইনাম জুগেশ্বরনা হায়খি, খুল অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা অসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। লৈকায় অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা মীওই অসুক্কী মতিক লৈরে। নুপাশিংনা য়ু থকপা অদুগা নুপীশিংনা ক্বা চাবা অসি চৎনবী অমদৌনা উরে। ক্বা চাবী নুপী মশীং অসুমমক হেল্লকপনা শাথিরবা কেন্সর লায়না নাহল্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবনি।

থৌরম অদুগী রিছোর্স পর্সন ওইখিবা এন ৱাই কে বিষ্ণুপুরগী প্রোগ্রাম ওফিসর প্রেমজিৎ এলাংবমনা হায়খি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী চাং অসি ষ্টেট অসি য়াম্না মাঙজিন থারি। এন ৱাই কেগী প্রোজেক্ট অসি অহানবা হৌরকপদা সেন্তরগী তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রিদগী ওইরোই হায়বা লৈরোই। করিগীনো হংবদা মণিপুরদদি য়ুমথোং খুদিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নৈ হায়রকখি। য়ুঙাং য়োল্লি হায়না চঙশিল্লুবদা অঙম অথৌশিংনা অথিংবা পীরকই। ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাদ্রিবশিংদা চাদনবা এৱ্যারনেস পীবা তঙায়ফদে হায়খি।

থৌরম অদুগী রিছোর্স পর্সন ওইখিবা বিষ্ণুপুরগী ও সী রাজু খান্না হায়খি, সিবিল পুলিস ওইরিবা ঐখোয়দা পাৱর খরা পীরিবা অসিনা য়ু ঙাওরম্বা মীওইবু ফাবা য়াই। এক্সাইজ দিপার্টমেন্টদদি কেস লৌখৎতুনা এক্সন ফাওবা তৌবা ঙম্মী। লৈকায় অমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী প্রোব্লেম থোকপদা ঐখোয়দা থাজদুনা শীন্নবী। ঐখোয় অসিবু ইনফ্রাষ্ট্রকচর শোনবগী খুদোংচাদবা কয়া লৈ। ময়াই কাবা চীঞ্জাক ফাবা তারবসু চাং অসি য়ৌদ্রবদি এফ আই আর চনবা য়াদবা লৈ। মীয়াম্নদি পুলিসনা শেল চারগা থাদোকখ্রে হায়রি। অদুবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী এক্ট অসিদা খঙবা কয়াগা তোয়না ফম্মিন্নবা অমসুং নৈনবা তঙায়ফদে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবনা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেলহল্লি। পুলিসকা মীয়ামগা কোওপরেসন লৈনরগা থবক তৌমিন্নসি। ঐখোয়না পাংবা য়াবা মতেং পাঙজগে হায়খি।

আর্ম দাউন অমদি পেন দাউনগী ষ্ট্রাইক চঙশিল্লগনি:এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না ভি দি এফশিংগী ওইবা দিমান্দ কয়াগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী মে ৪দা আই জি পি মুইভাগা এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা ফমিন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ভি দি এফশিংগী ষ্ট্রাইক মতম খরা রিলেক্স তৌখিবনি। মতুংদা চীফ মিনষ্টরদা অমুকসু হঞ্জিন হঞ্জিন এসোসিএসনগা ফমিন্নবগী এপোইন্টমেন্ট পীবিনবা চে থাজিল্লবসু থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্তবদগী থা অসিগী ১৮দগী ২৭ ফাওবা নুমিৎ ১০নি আর্ম দাউন অমদি পেন দাউনগী ষ্ট্রাইক চঙশিল্লগনি হায়রি।

ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন রামেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফশিংনা ইশা ইশাগী আউট পোষ্ট ষ্টেসনশিংদা লেংদনা লৈবিয়ু অদুগা করিগুম্বা মখল অমত্তগী দ্যুটি তৌবিদনবা খঙহল্লক্লি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমদি কম্মান্দরশিং লোয়ননা ওফিসরশিংনসু ষ্ট্রাইক মনুংদা ভি দি এফশিংবু নমদুনা পুলিসকী বেজ থেৎচিল্লগা দ্যুটি তাহনবীগনু। করিগুম্বা কম্মান্দর অমদি ওফিসরশিংনা ভি দি এফশিংবু নমদুনা দ্যুটি তৌহল্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং দ্যুটি শীজিন্নরিবা ওফিসর অমদি কম্মান্দর অদুনা পুগদবনি। লোয়ননা নুমিৎ ১০নি চঙশিনগদবা সিজ ৱর্ক ষ্ট্রাইক অসি ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা পোজিটিভ ওইবা রেসপোন্স অমত্তা পীবিদ্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবসু শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

ষ্ট্রাইক মনুংদা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মোবাইল টিম দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা থাদোক্কনি অমদি ষ্ট্রাইক মনুংদা ভি দি এফনা দ্যুটি তৌরম্বা য়াওরবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাংসু দ্যুটি তৌরিবা ভি দি এফ পার্সনেল অদুনা পুগদবনি। মরম অদুনা ইশা-ইশানা ইশাগী রাইট কনবদা হনবা লৈতনা পাম্নদম ফংদ্রিফাওবা ষ্ট্রাইক চঙশিনমিন্নসি হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

রামদানগী পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী চাকহেন থা রামদান থা অসিগী ১৭তগী জুন ১৫ ফাওবা থা ১ চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মালেমসিদা লৈরিবা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংদা ওল মণিপুর মুসলিম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম দি সায়দ অহম্মদ সেখনা হরাউ নুংঙাইগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ওল মণিপুর মুসলিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি লিলোংগী প্রসিদেন্ট এম দি সায়দ অহম্মদ সেখনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা ১ চাকহেনবগী থা অসি য়াম্না মতিক মগুণ লৈবা থবক অমনি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীতৈ পাঙল হায়না খঙনরিবা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংনসু রামদান থাগী ৱাহম্থোক লৈনা লিক্লম চুম্না পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রামদান থা অসি লেমজনীংঙাই ওইরবা চাকহেন থা অসিদা অলাগী কোলোইমীংলেনগা লোয়ননা ঐনা ঐনা তৌরুবা ফত্তবা থবক থৌরম শেরান্নবা লম্বী খুদিংমক থাদোকমিন্নরসি। মপুং ফানা ইবাদট তৌহৌরসি হায়না এ এম এম ও সীনা ফোঙদোরক্লি।

রামদান থানা লাকপদা লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক তাহে উহৈদবা ক্রাইম কয়া অসি অমুক হন্না থোকহনদবা ওইসনু, তংদু লৈতানা চাওখৎপা খুন্নাই অমগীদমক রামদান এ মুবারক্না পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

অমরোমদা, ষ্টেট সেক্রেটরি সী পি আই এল সোটিনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৭তগী হৌগদৌরিবা রামজান থা মনুং কালেনগী মৈশা মরক্তা পুং ১৫ হেন্না অরাম খৌরাংবা খাংদুনা রোজা হেনগদৌরিবা অসিদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানসু রামজান থাগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মুসলিম ইচিন ইনাওশিংনা মপূগী য়াথং ইন্দুনা লাক্কদৌরিবা অলাগী থৌগল মনুংদা অমগা অমগা নুংশি চান্নবা অমসুং অমনা অমগী মতেং পাংনবা ঙম্বগী পাঙ্গল পীনবিসনু। রামজান থা লাকপগী ইরোইনবা মালেমগী মফম কয়াদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসি লেপ্পখিবা ওইরসনু। ষ্টেট অসিগী মনুংদা থোক্লিবা অৱা অনা খুদিংমকসু রামজান থানা লাকপগা লোয়ননা কোকপীবা ওইরসনু হায়রি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগী নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি মীসনগী মখাদা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা রাইস কলটিভেসন হায়বসিদা নোংপোক ইম্ফাল লৌমী শিন্মী অপুনবা লুপনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা য়ুম্লাম খুনৌদা পাঙথোকখ্রে।

নোংপোক ইম্ফাল লৌমী শিন্মী অপুনবা লুপগী য়ুনিট অমা ওইরিবা য়ুম্লাম খুনৌদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সলাম রাজেন, এন্তোমোলোজি দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, লাইশ্রম সনাতোম্বা সোইল কেমিষ্ট এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং ঐচ ইবোহনবী প্রসিদেন্ট নোংপোক ইম্ফাল লৌমী শিন্মী অপুনবা লুপনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এস রাজেন্না হায়খি, ফৌদা তাবা লায়না তিন্নাগী মনুংদা লৌ উতোং শাৎপা অসি ফুরাদান শীজিন্নদুনা উতোং শাৎহনবা তিল মখল অদু হাৎপা ঙমগনি। মসিনা মপুং ফানা হাৎপা ঙম্বনা ফৌখোং উনবা ঈশিং ফাৎপা তাই। ফুরাদান অসি লৌ লীংখিবা নুমিৎ ১৫ নিদা চায়বা অসিনা ফগনি। নুমিৎ ৫০ নিদা মনা ঙাংশিনবী তাবা হৌদ্রিঙৈ ইমিদাক্লোরোপিল নৎত্রগা ফিপ্রোনিল মহি কাপ্পা তাই।

লৌ শঙম অমদা এম এল ২০০০ ঈশিংদা য়াল্লগা স্প্রেদা মনিলগুম তপ্না লৈ লৈদুনা পাম্বী পুম্বা কাপকনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবা লাইশ্রম সনাতোম্বনা হায়খি, লৌফমশিং অসিদা ঙল্লিঙৈদগী অকুৎ অতোং চাং মান্ননা শেমহৌবনা চাথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবদা খ্বায়দগী খুদোংচাবা ওইগনি। লৌফমগী লৈহাও লৈহনবা সুপর হাপ্পনা সুপর পাউদরদগী হেন্না ফৈ অমদি লৈহাও লৈজরবদি পামফেন হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ২০ নিগী মতুংদা হার চাং অমদা হাপ্পা ফগনি। ফৌ পাম্বী অমগা অমগা অরাপ্পা অসি ইঞ্চি মঙাদগী লাপ্প গনি। ফৌ মচা পোকপা মতমদা ঈশিং অদু মখোঙ শেংনা ফাৎতুনা মচা পোক্লিবা পাম্বীশিং চাং মান্ননা ফনবা শেমদোক শাদোকপা চঙই। য়ুমদা শন্থি পৈবদা মফম চানা মপৈ অহুম থোক্না পৈবা ফৈ। শন্থিনা মপুং ফানা লৈহাও লৈহনবা অসি থা তরুক চংবনা মতম চানা পাম্বীশিংদা হাপ্পা ঙমদে। মরম অদুনা খুৎশেমগী ওইবা মওংদা পাত্র অমদা শন্থিগী শরুক অদুদা কেজি ১০ দা লিটর মাপনদা ঈশিং য়াল্লগা মথক্তা চিনি অঙাংবা মপাক অমা কুপ্পা শোয়রগা হাপ্পুনা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা নুমিৎ মাপন্নি ওৎকনি অমসুং তরানি শুরবদি ইঙ্খোল অমদি লৌবুক্তা হাপ্পা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ঐচ ইবোহনবীনা হায়খি, লৌমীদি মতিং লৈনা শুবা তাই। ঐখোয়না পোলিটিক্সতা মায় ওনশিল্লবদি চান-থক্কবদা মীপান তাংখিবা তাই। তঙায়ফদবা অদু ফঙনবা হোৎনসি। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি। থৌরম অদুদা লমদম অদুগী লৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

ফ্রি আই কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : এন ঐচ পি সী এল, লোক্তাক পাৱর ষ্টেসনগা শিজ আই ক্যেয়র ফাউন্দেসনগা খুৎশম্নদুনা ৱাঙু অহল্লুপ ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ঙসি নেত্রা জ্যোটি প্রোগ্রামগী মখাদা ফ্রি আই কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু লোক্তাক পাৱর ষ্টেসনগী জেনরেল মেনেজর বিশ্বজিৎ বাসুনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখি অমসুং ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অমোম বিনানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এন ঐচ পি সীগী সেনিয়র দোক্তরশিং অমসুং ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা বিশ্বজিৎ বাসুনা হায়খি, এন ঐচ পি সীনা শোথরবা মীয়ামদা মেদিকেলগী খুদোংচাবা ফঙহন্নবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। প্রোগ্রাম অসিদা পুন্না মীওই ১৮৬ রেজিষ্টর তৌবগী মনুংদা মীওই ২৭ কেটরেক্টকী লাইওং লৈরে হায়বা খঙদোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা সর্জরি তৌনবা হোৎনরগনি। সর্জরি তৌবা অমসুং সর্জরি তৌরবা মতুংদা লায়েংবগী মমল এন ঐচ পি সী লোক্তাক পাৱর ষ্টেসন্না পুগনি হায়খি।

পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ইফটার কিটশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : ইসলাম লাইনিং চৎপশিংনা থা অসিগী ১৭ তগী হৌদুনা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা চাকহেন থাগা মরী লৈননা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা ঙসি লিলোং, উরুপ, কাইরং, ইরোং, শঙ্গাইয়ুন্ফম, ময়াং ইম্ফাল অমসুং সম্ভেলদা ইফটার কিটশিং য়েন্থোকখ্রে।

লিলোংদা পাঙথোকখিবা ইফটার কিটশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট মৌলানা ৱাহিদুর রহমন, জেনরেল সেক্রেটরি রফি শাহ, ষ্টেট কম্যুনিটি দিভলপমেন্টগী ইন-চার্জ মকবুল অমসুং এস দি পি আই মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি রিয়াজউদ্দিন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মৌলানা ৱাহিদুর রহমন্না হায়খি, ইসলাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বায়দগী শেংলবা হোলি কুরান থারকখিবা রামদান থা অমা চুপ্পা শেন্বীরকপা মপুবু হায়জ নিজবা অমদি পীথোকপনা মপুং ওইগদৌরিবা থা অসিগা মরী লৈননা লমদম অসিগী লুখ্রাবী অমদি শেন্থোক লম্বী লৈজদবশিংনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা ইফটার কিটশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

রিমস হোস্পিটালদা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালনা দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্যুনোহেমাটোলোজি এন্দ ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন (আই ঐচ বি টি) না খুৎশম্নুনা শীন্দুনা ঙসি আই ঐচ বি টি, রিমস ইম্ফালদা এৱ্যেরনেস কম ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদু ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেল্ঠ মীসন, মণিপুরনা স্পোন্সর তৌখি। বি এস সী নর্সিং, এম বি বি এস অমসুং বি দি এস মহৈরোয় ৫০ হেনবনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অদুদা কোলেজ ওফ নর্সিং, রিমস, ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর জমুনানা এৱ্যেরনেস কম ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অদু ইন্টরনেসনল নর্সেস ৱীক ওবজর্ব তৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি হায়খি। ব্লদ দোনেসন অসি মীওইবগী খ্বায়দগী মরুওইবা মতেংশিংগী মনুংদা অমনি।

ইন্টর ভিলেজ রোদ শেম্বীয়ু

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়গী কৈশামথোং অমসুং নাওরিয়া এ সী অনীগী তাইনবদা লৈরিবা টিদ্দিম রোদ, ক্বাকৈথেলগী শরুক্তগী হৌরগা লাইশ্রম লৈকায় মনীং অমসুং হৈনৌখোঙনেম্বীগী মফমশিং ফাওরগা কোঞ্জেং লৈকায় তাবা লম্বী অসি ইন্টর ভিলেজ রোদ ওইরবসু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন্দা য়াম্না নুংঙাইতবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

অখাম লৈকায় শিংলুপ কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লম্বীশিং অসি মতম শাংনা শেমজিন-শাজিনবিরক্তবা অমদি লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা মতিক চাবা ঈরম-খোংলম লৈতবা লোয়ননা মশীং খঙদ্রবা গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদগী লম্বী অসিগী শরুক অয়াম্বা লৈখোম-লৈনাং অমসুং কোমকুৎ কয়া মরাং কায়না লৈশিল্লকপদা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া মায়োক্নহল্লে। ফীভম অসি কৈশামথোং অমসুং নাওরিয়া এ সী অনীগী মীহুৎ ওইবশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা শেমজিন শাজিন্দুনা মীয়াম্না থেংনরিবা অখন্নবা খুদোংচাদবা কয়া অসি কোকহনবীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

[illegible]/ মীওই অমা পামজৈ

খাগেমপল্লি পনখাদা লৈবা **3J Food Zone** গী নুপা **Salesman** অমা পামজৈ। শা-ঙা থোংবা, থাকপা হৈবনা হেন্না পামজৈ।

Salary : Negotiable.

HL-P/1312/16 **Contact ☎ 8259036191 / 7005568490**

[illegible]/ ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

Ghari Awang Leikai দা লম্বীগা তায়ননা লৈবা **Point 8 (Eight)** চাওবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি। য়ুম ওইনা নৎত্রগা হোষ্টেল তৌবদা খুদোংচাগদবা মফমনি। মমলনা **@Rs. 1500/- Sq. Ft.** নি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী ফোন নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/1307/16,18,20 ***Contact* ☎ 7421927066**

TREATED SUCCESSFULLY

[illegible] **মায় পাক্না লায়েংজরি** [illegible]



PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

LIVER, JAUNDICE, SUGAR : লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম চিংবা লায়েংজরি।

BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাংশিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্না লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

HL-P/1300/15/5-8/6

[illegible]

A TWO STOREY BUILDING FOR RENT

Location : Ghari Awang Leikai, Around 100 meters from Xtra Edge School and HRD Academy.

Ground floor : 3 rooms (15 feet x 13 feet each) +
1 room (55 feet x 13 feet) + Kitchen

Top floor : 3 rooms (15 feet x 13 feet each) +
1 room (55 feet x 13 feet)

The building consists of 8 Rooms, 4 Toilets, 2 Bathrooms, 1 Kitchen & a spacious parking area. The entire plot along with the building is enclosed by proper brick walls and an entrance gate.

Deposit & Rent : Negotiable

Perfect for setting up Hostel OR Coaching

Please Contact : ☎ 7628077540

HL-P/3315/15-21

DILIGENT
PRE-PRIMARY TEACHERS TRAINING

MOIRANG LAMKHAI, BISHNUPUR DISTRICT

ADMISSION OPEN

6TH MONTH

NURSERY RHYMES
Teachers Training Course

- Qualification 10 Pass and above.
- Scholarship facility.
- Class on 21st May 2018
- 90% Job facility.

HL-B/4622/12-24 (Alt.) **Plz. Contact ☎ 8119039289**

BRIGHTER SCHOOL PHOIJING, NAMBOL
ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ/ADVERTISEMENT

14th May, 2018

Applications are invited from the intending candidates for the post of One Manipuri teacher who can teach classes IX & X.

Qualification : M.A. Manipuri (with the knowledge of Meitei Mayek)

Pay : Negotiable

Last Date of Submission : 18/05/2018 (Office hour)

Date of Interview : 19/05/2018 (11 am sharp)

Mode of Interview : Written test and Class demonstration.

HL-P/1296/15&16 *Sd/-* **PRINCIPAL**

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH
  WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-B/4584/26/4-26/5

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF TEXTILES, COMMERCE & INDUSTRY
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

NOTICE

Imphal, the 7th May, 2018

No. HL-84/H&T/2018: It is hereby notified for general information that the Govt. of Manipur vide their Order No. 4/18/2016-C&I dated 02-01-2017 and Manipur Gazette Notification No. 505 dated 02-01-2017, the Department of Commerce & Industries has been changed as the Department of Textiles, Commerce & Industry with a separate Directorate of Handlooms & Textiles in Manipur.

The NIC, Manipur State Centre, Imphal has also changed the monitoring website of **www.ehlmanipur.nic.in** to **www.dhtmanipur.nic.in** as the official website of the Directorate of Handlooms & Textiles and official Email **dirhandloom@gmail.com** and **hltextiles.mn@gov.in.**

Sd/- **K. Lamlee Kamei**
Director of Handlooms & Textiles, Manipur

HL-B/4628/16